# মিখাইল য়ৌজনিনা মিলোস রাউনিকপু মায়থীবা পীদুনা জপান ওপনগী ক্বার্টর ফাইলে চঙখ্রে




সেন্ট পিটরসর্বাগ, সেপ্টেম্বর ২৩ : কনাডাগী মিলোস রাওনিকনা মফম অসিদা চথরিবা সেন্ট পিটরবার্গ ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী ভেটরান মিখাইল য়ৌজনিগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

ৱিমব্লেদনগী ফাইনেলিষ্ট অমদি এ টি পি রেঙ্কিংগী তরুকশুবা মফমদা লৈরিবা রাওনিকনা এস ১৩ কন্দুনা মশক থোক্ল া শান্নরকখ্রবসু য়ৌজনিগী মখুৎতা ২-৬, ৭-৬ (৮/৬), ৬-৪ দা মায়থীখি।

বিগ সার্ভিং সেকেন্দ সীদ রাওনিকনা টুর্ণামেন্ট অসিগী ওপনিং রাউন্দদা বাই ফংদুনা মথংগী রাউন্দ চঙলকখিবনি। মেচ অদুগী ওপনিং সেটতা রাওনিকনা মিনিট ৩২ চঙনা শান্নখিবা অদুদা য়ৌজনিবু ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। অদুবু মখা তারকপা সেটতা য়ৌজনিনা মকোক থোংনা চৎখিদুনা মায় পাকখি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা য়ৌজনিনা হায়খি, মসি অঙকপা অমদি নুংঙাইবা অমনি। ঐনা সেন্ট পিটরবার্গকী ফেনশিংনা পীরকখিবা মখোয়গী সপ্পোর্ট অদুগীদমক থাগৎলি। সপ্পোর্ট অদুনা ঐবু অনীশুবা সেটতা মায় পাক্ল বগী মতেং ওইখি। সেট অদুগী টাইব্রেকতা ঐনা ৫-১ দা লৈবা ঙমখি। হয়েং ঐনা অতোপ্পা টর্ফ ওইরবা মেচ অমগীদমক ঙাইদুনা লৈরি। মেচ অদু ঐনা শোইদনা মায় পাক্কনি হায়না আশা তৌরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ৌজনিনা মথংগী রাউন্দদা জর্মনিগী মঙাশুবা সীদ অলেকজেন্দর জভেরেভকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। অলেকজেন্দর জভেরেভনা রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভপু ৫-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলগী মফম কঞ্জনবগীদমক খুমাঙ চাউশিল্লকখিবনি।

চেক রিপব্লিক্কী অহুমশুবা সীদ থোমাস বার্দির্চনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচতা রসিয়াগী এন্দ্রে কুজনেটসোভপু ৬-৩, ২-৬, ৭-৬ (৭/৪) দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

থোমাস বার্দির্চনা মশাগী এপেনদিসাইটিসকী অনাবা লৈবদগী য়ু এস ওপনদগী ৱিঠদ্রোন তৌখ্রবা মতুংদা টুর্ণামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শান্নরকখিবনি।

বার্দির্চনা হায়খি, মমাঙ চহীদা শান্নখিবদগীদি মসিগী রিজল্ট অসিনা হেন্না ফবা ওইরে। ঙসি ঐনা য়াম্না টফ ওইবা ওপোনেন্টকা মায়োক্লখ্রে অমদি ঐনা মসিগী টেষ্ট অমা তৌখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইরে হায়না ফোঙদোকখি।

বার্দির্চনা মথংগী রাউন্দদা ইটালিয়ন ভেটারন পাওলো লোরেঞ্জগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা পাওলো লোরেঞ্জিনা ফ্রেঞ্চ ক্বালিফাইয়র অলেকজেন্দ্রে সিদোরেঙ্কোবু ৭-৬ (৭/৫), ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

সার্বকী তরেৎশুবা সীদেদ ভিক্টর ট্রোইকিনা কম্পেট্রিওট দুসান লাজোভিকপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখি। অদুগা নিপানশুবা সীদ পোর্টুগালগী জাও সৌসানা রসিয়াগী ৱাইল্ড কার্দ এন্দ্রে রুব্লেভপু ৭-৬ (৭/৩), ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন টেনিস এস লীএন্দর পেস অমদি মহাক্কী জর্মন পার্টনর এন্দ্রে বেগেমেন্ননা মফম অসিদা চথরিবা সেন্ট পিটরসর্বাগ ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী দবলসতা মখোয়গী মায়োক্লখিবা লম্বাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ইন্দো-জর্মনগী জুরা অসিনা সার্বিয়নগী দো জাঙ্কো টিপসারেভিক অমদি ভিক্টর ট্রোইকিবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

পেস অমদি বেগেমেন্ননা মায় পাকখিবা অসিনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়ন দো পুরাভ রাজা অমদি দিভিজ সরনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। পুরাভ রাজা অমদি দিভিজ শরননা অর্জেন্টিনা-চাইনিজগী জুরা এন্দ্রেস মোলটেনি অমদি হান্স পোদলিপনিক-কাষ্টিল্লবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা স্পানিশকী দো অলবার্ট রামোস-ভিনোলাস অমদি ফর্নান্দো ভরদাস্কোনা মখোয়গী মায়োক্ল খিবা লম্বাগী মখুৎতা অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

তরুকশুবা সীদ রামোস ভিনোলাসনা ৱর্ল্ড নম্বর ২৫৫ শুবদা লৈরিবা অলেকজেন্দরে সিদোরেঙ্কোগী মখুৎতা পুং অমগা মিনিট ২৩ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

সিদোরেঙ্কোনা মায় পাকখিবা অসিনা কুমজা ২০১৬ তা মহাক্কী অহানবা এ টি পি টুরদা মায় পাকপসু ওইখি।

অমরোমদা, টোকিয়োদা চথরিবা পান পেসিফিক ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা অগনিজকা রাদৱানস্কানা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৬-৩, ৩-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে। অদুগা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন মোনিকা পুইগনা পেট্রা কভিটোভাবু ১-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর চঙখিবনি।

# রিও ওলেম্পিক্সকী জজদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুবগী চহী ৩ অথিংবা থমখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ : লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা ৩১শুবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা পাঙথোকখিবা রেষ্টলিং ইভেন্টতা মেচ ওফিসলশিংগী ৱারেপ্পু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফি লৌথোকখিবা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলিং কোচ অনী চহী অহুমগী অথিংবা থমখ্রে।

য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলিং ফেদরেসনদা থাখিবা চেবাও অমদা কোচ সেরেনবটার সোগবয়ার অমসুং ব্যামবারিনচেন বয়ারাবু কুমজা ২০১৯ গী ওগষ্ট থা ফাওবা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসনদা শরুক য়াবদা অথিংবা থল্লে হায়না খঙহনখি। লোয়ননা মোঙ্গোলিয়াগী নেসনেল ফেদরেসনবুসু য়ু এস দোল্লর ৫১,০০০ (স্বিস ফ্রাঙ্ক ৫০,০০০) ফাইন থীনবসু খঙহনখি।

উজবেকিষ্টানগী ইখটিয়োর নভরুজোভ অমসুং মোঙ্গোলিয়াগী মন্দাখনার গাঞ্জোরিগ অনীগী রিও গেমসদা শান্নখিবা বাউটতা রেফ্রিনা মেচ অদু ইখটিয়োর নাভরুজোভকী মায়কৈদা পীথোকখিবদগী মোঙ্গোলিয়াগী কোচশিংনা মফি লৌথোক্তুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি। কে জি ৬৫ গী ব্রোঞ্জ মেদল কন্টেষ্ট অদুদা পোইন্ট ৭-৬ তা মাঙজিল থানা লৈখিবা গাঞ্জোরিগনা বাউট অদু লোইগদবা সেকেন্দ ১৮ খক্তা ৱাৎপা মতমদা মায় পাক্লে হায়না হরাউবা ফোঙদোক্তুনা মহাক্কী মায়োক্লবা লম্বা অদুবু লক্লদুনা জগোয় শাখি অমদি রিংগী অকোয়বদা মহাকপু কোচ অমনা থাঙ্গৎতুনা কোয়পু পুখি। অদুবু জজশিং অদুনা গাঞ্জোরিগপু ইখটিয়োর নাভরুজোভনা ফানবা হোৎনবদা কোয়চেন চেল্লি হায়না মরাল শীদুনা পোইন্ট ৭-৭ তা মান্ননা লৈহনখি। মোঙ্গোলিয়াগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা চেল্লেঞ্জ অমা লৌখিদবদগী ইখটিয়োর নাভরুজোভনা অহেনবা পোইন্ট অমা পীদুনা উজবেকিষ্টানগী রেষ্টলর অদু মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখি।

রেফ্রিশিংগী থৌওং অদুবু পেন্দ্রবা মোঙ্গোলিয়াগী কোচ অনীনা জজশিংগী মমাঙদা চঙশিন্দুনা মখোয়গী ফুরিৎ অমদি খোঙউপ লৌথোক্তুনা লৈমায়দা লংথোকখি। কোচ অমনা মহাক্কী মপান থংবা খোঙ্গাউসু লৌথোক্তুনা জজশিং অদুগা মরৈ য়েৎনখিবা থৌদোক অদুগীদমক অথিংবা থমখিবনি।

# পরালিম্পিক গেমসদা মেদল লৌরকখ্রবা পরাএথলেটশিং পদ্মা এৱার্দকীদমক রিকম্মেন্দ তৌরগনি




ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ : মখোয়গী মায় পাকপা অদুবু হেন্না মশক খঙহন্নবগী পান্দমদা রিও পরালিম্পিক্সতা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরক্লবা পরাএথলেটশিংবু চহী অসিগী পদ্মা এৱার্দ পীননবগীদমক স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা রিকম্মেন্দ তৌরগনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা পরালিম্পিয়ন মরিবু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সতা লেমজনিংঙাই ওইরবা পদ্মা এৱার্দকীদমক রিকম্মেন্দ তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লনা মহাক্কী ট্বীটর পেজদা থাগৎলকপা ৱারোলদা হায়, স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ঐখোয়গী ষ্টার পরালিম্পিয়নশিংগী মমিংশিং পদ্মা এৱার্দকীদমক রিকম্মেন্দ তৌরগনি হায়না লাউথোকখি। হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা রিও পরালিম্পিক্স অদুদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল অনী, সিলভর মেদল অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না মেদল মরি লৌরকখিবনি।

মেদল লৌরকখিবা পরালিম্পিয়নশিং অদুদি নুপাগী টি-৪২ হায় জম্পতা মারিয়াপ্পান থাঙ্গাভেলু অমসুং নুপাগী এফ-৪৬ জেভেলিন থ্রোদা দেভেন্দ্র জঝারিয়ানা গোল্ড মেদল অমমম পুন্না অনী, নুপীগী এফ-৫৩গী শোট পুটতা দিপা মালিকনা সিলভর মেদল অমসুং নুপাগী টি-৪২ হায় জম্পতা ভারুন সিংহ ভাটিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী পরাএথলেটশিংনা রিও পরালিম্পিক্সতা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স উৎখিদুনা মেদলশিং লৌরকখিবদা ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা শান্নরোয়, শক্লাইরবা এদমিনিষ্ট্রেটরশিং, ইন্দিয়াগী মিনিষ্টরশিং অমদি য়াল্লবা মীয়াম্না হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখিবনি।

মখোয়না ইন্দিয়াবু মালেমগী মীয়াম মমাঙদা চাউথোকহনবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখিবদা অপেনবসু পোক্লখি।

পরাএথলেটশিংবু হরাউ-তয়াম্না ওকপগী থৌরম অমা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী রেসিদেন্সতা পাঙথোকখি। মদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পরাএথলেটশিংবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মতীক মথৌনা অদুবুসু শিংথাখি।

# ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মথংগী দেভিস কপ টাইদা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগনি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ : ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা দেভিস কপ টাইগী এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান কম্পিটিসনদা ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মসি ইন্দিয়ানা অৱে টাইদা ন্যু জিলেন্দবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রবা মতুংদা শান্নগদবা মেচনি। কুমজা ২০১৫ গী সিজনদা শান্নখিবা ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দগী টাই অদুদগী ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাইদ ওইখিবনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে-ওফ টাইদা মঙারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা স্পেননা ইন্দিয়াবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা এসিয়া/ওসিনিয়া জোনদা হল্লকখিবনি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অনন্দ অমরিট্রাজনা হায়খি, হৌখিবা টাই অনীদা মশাগী অশোকপা লৈবদগী শান্নবা য়াওখিদবা টোপ সিঙ্গলস প্লেয়রশিংনা টিমদা হল্লক্কনি হায়না ঐনা আশা তৌই। মসি ঐখোয়গীদমক্তদি খ্বাইদগী ফবনি মদুদি ঐখোয়না য়ুমদা শান্নগনি। ঐখোয়গী সাইদতা য়ুকি ভমব্রি অমদি সোমদেভ দেভভর্মননা হল্লক্তুনা শান্নগনি হায়না আশা তৌরি। মসি থা খরখক্তা ঙাইরে। ঐনা আইটাগা অথুবদা উন্নদুনা শান্নগদবা মফম অমদি লৈমায়গীদমক খন্নগনি হায়না অমরিট্রাজনা ফোঙদোকখি।

চৈরক অসিদা মহারাষ্ট্রা ষ্টেট লোন টেনিস এসোসিএসন্না টাই অসিগী অহানবা রাউন্দবু য়ুম্বু ওইনিংবগী অপাম্বা লৈবগা লোয়ননা অথুবদা আইটাদা চেবাও থাদুনা খঙহল্লগনি হায়রি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা হৌখিবা টাই মঙারক শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা মেচ অমত্তা মায়থীদনা লাক্লি। ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা চহীশিং অদুদি কুমজা ২০১৫, ২০১২, ২০০৪, ২০০৩ অমদি ২০০২ নি।

অদুগা হৌজিক ফাওবদা শান্নখিবা টাই নিপানগী মনুংদা কুমজা ১৯৭৮, ১৯৭৬ অমদি ১৯৭৫ দা ইন্দিয়ানা মায়থীহৌখি।

# পি এমনা রিও পরালিম্পিক কন্টিঞ্জেন্টপু ওকখ্রে

## লৈবাক অসিবু মালেমগী মীয়াম মমাঙদা চাউথোকচবা ঙমহনবগীদমক থাগৎখ্রে

## নিটি অয়োগনা ২০২৪ গী ওলেম্পিক্সতা মেদল ৫০ লৌনবা টার্গেট তৌরি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শগোলশেল নুমিৎতা রিও পরালিম্পিক গেমসদা শরুক য়ারুবা ইন্দিয়াগী মেদলিষ্ট মরি য়াওনা এথলেটশিং উনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মায় পাকপা অদুনা লৈবাক অসিবু মালেমগী মীয়াম মমাঙদা চাউথোকচবা ঙমহনবগীদমক থাগৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৯ না শাবা কন্টিঞ্জেন্ট অদুনা রিও পরালিম্পিক্সতগী গোল্ড মেদল অনী, সিলভর মেদল অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না মেদল মরিগা লোয়ননা ময়ুমদা হল্লকখিবনি।

মারিয়াপ্পন থাঙ্গাভেলু (মেন'স টি-৪২ হায় জম্প) অমদি দেভেন্দ্রা জঝারিয়া (মেন'স এফ-৪৬ জেভেলিন থ্রো) না মখোয়-মখোয়গী ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি। দেভেন্দ্রা জঝারিয়াদি অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দসু পরালিম্পিক্স গেমসদা থল্লমখিবনি। দিপা মালিক (ৱিমেন'স এফ-৫৩ শোট পুট) অমদি ভারুন সিংহ ভাটি (মেন'স টি-৪২ হায় জম্প) না মথংশিংনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ওফিসল ট্বীটরদা ইদুনা থাদোরকখিবা ৱারোলদা হায়, ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু মালেমগী লৈবাক মীয়ামদা চাউথোকচবা ঙমহল্লিবা ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্টগা উনবদা নুংঙাইবা পোকই। মেদল ফংলকখ্রবা পরাএথলেটশিং মখোয়গী হোৎনজমন অমদি কখোকপা অদুনা ওইরকপনি হায়না মোদিনা ট্বীটর অদুদা ফোঙদোরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়খি, চেম্পিয়ন জঝারিয়াগীদমক হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি। ঐখোয়না মহাক্কী পুন্সি ৱারী অমদি কখোকপা অদু খঙলে। মহাক অসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মায় পাকপা পরালিম্পিয়ন অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

জঝারিয়ানা পরালিম্পিয়ন গেমসদা গোল্ড মেদল অনী লৌখি। অহানবা গোল্ড অদু কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স পরালিম্পিক্সতা লৌখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মারিয়াপ্পন থাঙ্গাভেলুনা ইন্দিয়ানা নিংজরম্বা অদু ফংহনবা ঙমখি। মহাক্কা উনবদা তশেংনা অপেনবা পোকই। ভারুন সিংহ ভাটি অসি মশক থোক্লবা এথলেট অমনি। মহাক্না পরালিম্পিক্সতা উৎখিবা পার্ফোর্মেন্স অদুনা মহাক্কী মগুণ খঙবা ঙল্লে।

পরালিম্পিক্সতা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী নুপীনা মেদল লৌবা ঙমখিবা দিপা মালিকপু ঙমখে লৈতনা থাগৎলি। দিপাগা উনবদা ঐগী থম্মোয়দা অপেনবা পোকই। লৈবাক অসিগী মীয়াম পুম্নমক্না নঙগী মায় পাকপা অদুদা ঈকাই খুম্নবা উৎলি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়ানা অশোনবা পার্ফোর্মেন্স উৎখিবদগী নিংবা কায়না হল্লকখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ গী ওলেম্পিক্স গেমসদা লৈবাক অসিনা মেদল ৫০ লৌননবগীদমক টার্গেট তৌখ্রে।

রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী এথলেট ১২০ শরুক য়াহন্দুনা কুমজা ২০১২ দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা লৌখিবা মেদল মশিংদগী হেন্না লৌরক্কনি হায়বগী চাউরবা থাজবা থমখিবনি।

অদুবু রিও গেমসদগী ইন্দিয়ানা বেদমিন্টনদা সিলভর মেদল অমা অমদি রেষ্টলিংদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌরগা হল্লকখিবনি।

নেসনেল ইন্সটিট্যুসন ফোর ট্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া (অয়োগ নিটি) না লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ গী য়েংলগা মশান্না তরাদা অহেনবা মিংয়েং চঙদুনা গোল্ড ৫০ ফাওবা লৌবা ঙম্ননবগীদমক থবক পায়খৎনবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। হায়রিবা থৌরাং অসিগী মনুং চন্না স্পোর্টসকী টেলেন্ট লৈরবা ট্রাইবেল অমদি রুরেল এরিয়াশিংদগী অঙাংশিং খনগৎলগা শেমগদৌরি হায়রি।

# শ্রীকান্টনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা জপান ওপনদা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে

টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২৩ : রিও ওলেম্পিক্সকী মতুংদা মহাক্কী অহানবা টুর্ণামেন্ট ওইরিবা ৱর্ল্ডগী নিপানশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা কে শ্রীকান্টনা মফম অসিদা চথরিবা জপান সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ১৫ শুবদা লৈরিবা জমর্নগী মার্ক জৱেল্লরগী মখুৎতা ২১-১৮, ১৪-২১, ১৯-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখিবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।



কে শ্রীকান্টনা নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টরফাইনেল মেচকী গেম অহুমদা মায়থীদ্রিঙৈ মমাঙদা ইচং থৌনা শান্নরমখি অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা জর্মনগী মখুৎতা হায়গৎপা ঙমদনা মায়থীদুনা লৈহৌখিবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী চেল্লেঞ্জ অদু লোইশিনখি।

ৱর্ল্ডগী নিপানশুবা সীদ অসিনা ৱর্ল্ডগী নম্বর ১৫ দা লৈরিবা মার্ককী মখুৎতা মিনিট ৫৮ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা চিলাউনা ২১-১৮, ১৪-২১, ১৯-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

শ্রীকান্ট অমদি মার্ক অনীগী মায় পাকপগী রেকোর্দতা ২-১ দা ইন্ননা চৎলি। শ্রীকান্টনা মার্কপু চিনা ওপনদা অরোইবা ওইনা মায়থীবা পীখি। প্লেয়র অনীমক্না হেঞ্জিন্নবা য়াদনা কৃক কৃক ইন্ননা মেচ অদু শান্নখি। অহানবা গেম অদু শ্রীকান্টনা মশক থোক্না শান্নখিদুনা ২১-১৮ দা জর্মনবু মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গেমদা মার্ক অমদি শ্রীকান্টনা ৬-৬ তা লৈখ্রবা মতুং মার্কনা নক্ষৎনা চৎখিদুনা ২১-১৪ দা মায় পাকখি। অহুমশুবা গেমসু শ্রীকান্টনা মতম খরা মাঙজিল থানা চৎখ্রবা মতুং মার্কনা অমুক হন্না নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা ২১-১৯ দা মায় পাকখি। জর্মননা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

পনবা য়াই, রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট কিদম্বী শ্রীকান্টনা জপান ওপনগী মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

শ্রীকান্টনা মেচ অদুদা কম্পেটরিওট অজয় জয়ারামগা মায়োক্লন্দুনা শান্নখিবদা মেচকী তঙ্খায় চল্লকপা মতমদা মশাগী চহী ২৮ শুরবা মুম্বাইদা বেজ তৌবা শট্টলর অসিনা মহাক্কী ওইগী খুজেংদা শোকখিবদগী শান্নদনা তোকখিবদগী শ্রীকান্টনা মায় পাকখি।

জয়ারামনা ওপনিং গেমগী লোইরমদাইদা রিটয়ার্দ তৌখি। গেম অদু শ্রীকান্টগী ফেভরদা ২১-১৬ তা লৈখিবনি।

শ্রীকান্টনা জর্মন অসিগা য়েংনবদা ইন্দিয়ন অসিনা ২-১ দা মায় পাক্ল চৎলি। জর্মননা ইন্দিয়নবু কুমজা ২০১৪ গী এদিসনদা টুর্ণামেন্ট অসিদা মায়থীবা পীখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ঐচ এস প্রন্নোয়না দেনমার্ককী অনীশুবা সীদ ভিক্টর এজেলসেনগী মখুৎতা মিনিট ৪৪ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ১৬-২১, ১৯-২১ দা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াই, ওপন অসিগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা অজয় জয়ারাম, ঐচ এস প্রন্নোয় অমদি কিদম্বী শ্রীকান্টনা মায় পাকখিদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

ইন্দিয়ন শট্টলর জয়ারামনা ইন্দোনেসিয়াগী সোনি দৱিকুনকোরোবু মিনিট ৪৬ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১৯, ২৩-২১ দা মায়থীবা পীখি। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা হোং কোং ওপনদা সোনি দৱি কুনকোরোনা জয়ারামবু মায়থীবা পীখিবা অদুগী লমনখুম্বা ওইনা ঙরাংগী মেচ অদুদা জয়ারামনা ইন্দোনেসিয়নবু মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা ঐচ এস প্রন্নোয়না অকনবা লম্বা তৌদুনা মালেসিয়াগী ইস্কান্দর জলকারনেইন জাইনুদ্দিনবু ২৩-২১, ১৯-২১, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ১৩ দা লৈরিবা শ্রীকান্টনা কম্পেট্রোইট পি কেশয়পপু মায়থীবা পীখি। শ্রীকান্টনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবনি। মায়থীহৌরবা পি কেশয়পনা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী শাথিনা শোকখিবা অদুগী মতুংদা হল্লকখিদুনা শরুক য়ারখিবনি।

নিপানশুবা সীদ শ্রীকান্টনা মহাক্কী কম্পেট্রোইট কেশয়পপু পুং অমগা মিনিট অনী চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ১৪-২১, ২১-১৪, ২৩-১৯ দা মায়থীবা পীখি। কেশয়পকী ঙসিগী মেচ অসি মহাক্কী মশা ফগৎলক্লবা মতুংদা শান্নরকখিবা অনীশুবা টুর্ণামেন্টসু ওইখি।

চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা কনাডা ওপনগী টাইটল লৌখিবা বি সাই প্রনিথনা ইচং থৌনা শান্নরম্লবা মতুং হোং কোংগী এন জি লোং এঙ্গসকী মখুৎতা ২১-৯, ২১-২৩, ১০-২১ দা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াই, কম্মনৱেলঠ গেমসগী চেম্পিয়ন পি কেশয়পনা মফম অসিদা চথরিবা জপান সুপর সেরিজগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বালিফিকেসনগী রাউন্দ অনী মায় পাক্তুনা মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনগী মেইন দ্রোদা খুমাঙ চাউশিনখি।

# বেঙ্গলুরুনা অহানবা ওইনা এ এফ সি কপকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে




সিঙ্গাপুর, সেপ্টেম্বর ২৩ : সিঙ্গাপুরগী জলান বেসার ষ্টেদিয়মদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ুম্বু টেম্পাইন্স রেভর্সকা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবদগী বেঙ্গলুরু এফ সিনা মখোয়গী অহানবা ওইনা এ এফ সি কপ ফুটবোল টুর্ণামেন্টকী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

লেগ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা বেঙ্গলুরু এফ সিনা মায় পাকখিবদগী লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৮ দা মালেসিয়াগী লার্কিন ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা অহানবা লেগকী সেমী ফাইনেল মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স মালেসিয়াগী জোহোর দারুল টাজিমগা মায়োক্লরগনি।

বেঙ্গলুররুদা পাঙথোকখিবা অহানবা লেগকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ুম্বু টেম্পাইন্স রোভর্সপু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখিবনি। মফম অসিদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা লেগকী মেচতা বেঙ্গলুরু এফ সিনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি। অদুবু মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা তৌখিবা গোল এটেম্প অমদা সি কে ভিনিথনা গোলপোষ্ট মমাঙদা খাইদোরকখিবা ফজরবা বোল অমা য়ুগেন্সন লিংদোহনা কলেক্সন তৌবা ঙমহৌদবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে। শিংথারবা প্লেয়র নিশু কুমারনা পাস তৌখিবা বোল অমা টেম্পাইন্সনা গোল চন্নবগী খুদোংচাবা ফংখ্রবসু মোহমদ হাফিজনা কাওশিনখিবদা অমরিন্দর সিংহনা ঙাকথোকখিদুনা অরেম্বা তাদুনা গোল চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা বেঙ্গলুরু এফ সিনা নিংথিনা শান্নরক্তুনা গোল চন্নবগীদমক মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা সুনিল সেত্রিদা বোক্স মনুংদা সিঙ্গাপুরগী দিফেন্দরবু নক্ষৎলম্লগা কাওশিনখিবা বোল অমা মোহমদ ইজৱাননা সেভ তৌদুনা অরেম্বা তাহনখি। বেঙ্গলুরু এফ সিনা হাফ অসিগী অয়াম্বা মতমদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি।

টেম্পাইন্সসু ইন্দিয়ন সাইদপু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা এটেকশিং তৌখি। টেম্পাইন্সগী জোদার্ন ৱেব অমদি মোহমদ হাফিজনা ইন্দিয়ন সাইদতা বোল পুশিন্দুনা গোল এটেম্পশিং তৌখ্রবসু বেঙ্গলুরু এফ সিনা অকনবা দিফেন্স তৌখিদুনা কান্নবা ফংখিদে।

বেঙ্গলুরু এফ সিসু হনবা লৈতনা টেম্পাইন্সকী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৭৭ চৎপা মতমদা সেত্রি অমদি য়ুগেন্সন লিংদোহনা পুশিনখিবা বোল অমা লিংদোহনা কাওশিনখিবদা পোষ্ট মনুং চঙবা ঙমদনা অরেম্বা তাখি। মখা তানা ইন্দিয়ন সাইদনা তৌখিবা এটেক অমদা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ভিশাল কুমারনা শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অমা টেম্পাইন্সকী ইজৱাননা ঙাকথোরকখিবদা অমুক হন্না লিংদোহনা ওক্লগা কাওশিনখিবদা গোল পোষ্টতা পান্দুনা অরেম্বা তাখি। টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখি।

পনবা য়াই দেম্পো এফ সি অমদি ইষ্ট বেঙ্গলনা কম্পিটিসন অসিগী সেমী ফাইনেলদা চঙবা ঙমখ্রবা মতুং বেঙ্গলুরু এফ সিনা অহুমশুবা ইন্দিয়ন ক্লব ওইনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইখি।